ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস সাইকোলোজিনা ওক্টোবর থা চূপ্পা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড মেন্টেল হেল্থ মন্থগী থৌরম খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা মহৈকোল অসিগী ইন্দোর হোলদা হৌদোকপা


লৌশিং পূক্কে : নুংশা য়াইবনা ঐখোয়গী হকচাংদা মতৌ ... লামায় ২

লামায় ৪ লায়না খঙদনা হীদাক পংচাদা চাহনবা তোক্লসি - ২

'হা উরোক নমাংসু লাং নতুংসু তেন-!' লামায় ৫

লামায় ৬ 'পূক্লিং ৱাখল লৈতাদবসি মীপুম খূদিংদা থোকপা য়াই'

ইলেক্সন কম্মিসন উন্নদুনা হরয়ানাগী এ সী ২০ গী... লামায় ৮

লামায় ১০ ইন্দিয়ান ওল স্পোর্টস গেমসতা মণিপুরনা টিম ...



য়াইরিপোক্তা লৈবা য়ুনিভর্সেল কোলেজ ওফ নর্সিংগী অনীশুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকপদা শরুক য়াখিবা কোলেজ অসিগী চেয়রমেন ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা মার্ক য়াম্না ফংখিবী মহৈরোয়শিংদা মনা খূৎশিন্নবা



Vol. 48, Issue No. 187 | শগোলশেন, মেরাগী ৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, October 10, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## ওক্টোবর ৫দা দেল্লীদা পাঙথোক্কদবা মীফম য়ৈথোকখিবগী খন্নবা কৌখিবা
# এন পি পিগী মীফমদা এম এল এ ৭মক লাকখিদ্রে

### লৈঙাক্তা মখা তানা শৌগৎপা-শৌগৎতবগী ৱারেপ লৌনবা হোৎনরকপদা এন পি পিগী থৌপুবশিংগা এম এল এশিংগা নাকপাক তান্নরক্কদৌরিব্রা




**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচএনএস) :**
কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকপা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলগী মতুংদা ষ্টেট অসিদা ইহান হান্না বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লিংলকখিবদা শৌগৎপদগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়াওনা মিনিষ্টরশিংগী ফম ফাওবা থিনে দারকখ্রবা মতুং হন্দক্কী ১২শুবা মীখল মতুংদগী লিংলকপা লৈঙাক্তসু মিনিষ্টরিএল বর্থ অমত্তা ফংদ্রবসু এন পি পিনা শৌগৎলক্লিবা অসি মখা তানা শৌগৎখিগদ্রা নৎত্রগা শৌগৎলরোইদ্রা হায়বগী ফিরেপ লৌনবা হোৎনরকপদা ষ্টেট অমসুং নেসনলগী থাক্তা থৌপুরক্লিবশিংগা পার্টি অসিগী মণিপুরগী এম এল এশিংগী মরক্তা নাকপাক তান্নরক্কদৌরিব্রা হায়বগী ৱাহং থোরক্লে।

এন পি পিনা মণিপুর লৈঙাক্তা শৌগৎলক্লিবা অসি মখা চথখিগদ্রা নৎত্রগা তোক্লগদ্রা হায়বগী মতাংদা পার্টিগী ওইবা ৱারেপ অমা লৌননবা মমাঙ থাগী ২৭তা পার্টিগী নেসনল প্রসিদেন্ট কোনড়াদ সংমানা চেয়র লৌদুনা গুৱাহাটিদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রবসু লৈখায় তাবা ঙমদবদগী থা অসিগী ৫দা দেল্লীদা নেসনল এগজিক্যুটিভ মীটিং পাঙথোক্লগা ৱারেপ লৌগনি হায়খিবনি। অদুবু মীফম অদুসু য়ৈথোকখিবদগী লৈখায় তাদনা লৈরক্লিঙৈগী চৈরক্তা মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ১০ হেল্লকপদগী নাওরেমথোংদা লৈবা পার্টিগী ওফিসতা ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর ১৭/১৮ লোম্না শরুক য়াদুনা নুমিৎয়ুংবা মতুং ফাওবা ষ্টেট এগজিক্যুটিভকী মীফম পাঙথোকখিবনি।

নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাই জয়কুমারনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অসিদা পার্টিগী মরু ওইবা থৌপুবশিং ওইরিবা ৱাই ইরাবোত, এন মঙ্গি অমদি এস সোভাসচন্দ্রনচিংবনা শরুক য়াখ্রবসু পার্টিগী এম এল এ ৭ মক লাকখিদ্রে। এম এল এ ৭কী মনুংদা এম দি নুরুল হাসনদি দেল্লীদা ইমুংগী মীওই অমগী লায়েংবা চৎখিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক অপূনবা এম এল এ ৭কী মনুংদা মণিপুর লৈঙাকপু মখা তানা শৌগৎনীংবা অমসুং শৌগৎনীংদবা এম এল এ কাঙলূপ অনী থোরকপদা নত্তনা এম এল এশিংগা পার্টিগী থৌপুবশিংগী মরক্তসু অমত্তা ওইমিন্নবগী ফিরেপ লৌমিন্নবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরক্লে হায়রি।

অদুবু ঙসিগী মীফম্না থা অসিগী ৫দা পাঙথোক্কনি হায়রগা য়ৈথোকখিবা নেসনল এগজিক্যুটিভ মীটিং অদুগা মরী লৈনবা ৱারেপ ৩ লৌরে হায়রি।

## মমাঙগী এসেমব্লি মীখলদা মীরেপ
# ওইখিবা খরা ঙসি কোংগ্রেসতা য়াওগদৌরি

### ঙসি নুংথিল ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা মখোয়বু ওকপগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচএনএস) :**
কুমজা ২০২২দা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা তোঙান-তোঙানবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংদা মীরেপ ওইখিবদা নত্তনা ভোট মশীংসু য়াম্না ফংখিবা মীওই খরা কোংগ্রেসতা য়াওশিন্নবা থৌরাং পূম্নমক লোইশিনখিবগা লোয়নননা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) গী মায়কৈদগীসু মখোয়বু তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোক্লবা শেম শাখ্রে হায়রি।

পাউচে অসিনা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়বদা নৌহৌননা কোংগ্রেসতা য়াওশিল্লক্কদৌরিবা মীওইশিংগী মনুংদা কৈশামথোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) য়াওনা অতোপ্পা পার্টিদা কারক্তুনা মিনিষ্টর অনীরক ওইরম্লবা লাংপোকলাকপম জয়েন্তকুমার অমসুং শীংজমৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা এন পি পিগী মীরেপ ওইখিবা শীংজমৈ ওইনাম থিঙেলদগী ওইনাম রোমেনসু য়াওরগনি হায়রি।

মখোয় অনীগী মথক্তা খুরাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী লোকল বোদিগী ইলেক্সনদা মায় পাক্লকখ্রবা মীওই অমসু কোংগ্রেসতা য়াওশিন্নবা থৌরাং তৌখ্রে হায়রি।

মখোয়বু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা হয়েং নুংথিল পুং ১ তারকপদা ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্র, হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং সী এল পি লুচিংবা ওক্রম ইবোবী অমদি কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটিগী মেম্বর গাইখাঙমনা মথংশিংনা ময়ায় তাংবল, অথোইবা মীথুংলেন অমসুং অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইদুনা শরুক য়ারগা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

থৌরম অসিদা কোংগ্রেসকী দেপ্যুটি সী এল পি লিদর ওইরিবা এম এল এ, কে রঞ্জিৎ, পার্টিগী হান্নগী প্রসিদেন্টশিং, আউটর অমসুং ইন্নরগী এম পি, অতৈ এম এল এশিং, এক্স এম পি অমসুং এক্স এম এল এশিং, পি সী সীগী মেম্বরশিং, থৌপুবশিং, পার্টিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

### নোংমৈ পায়বশিংনা মীওই ১ লুপা ক্রোর ২গী রেন্সমদা ফাজিল্লুরগা থাদোরক্লে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচএনএস) :**
ইরিলবুং পি এসনা কোল্লিবা কৈরাও মেঙ্গোর ইশ্খোলদগী এম দি টাজউদ্দিন (৩৮) কৌবা মীওই অমা শকখঙদবা নোংমৈ পায়বশিংনা মহাক্কী লোয়নবী ৱাজিরা শাহনি (৩২) অমসুং মচানুপী অমগা লোয়নননা কার (এ ষ্টার) এম এন-০৬/এল বি-৫৭৩১দা পূন্না চৎমিন্নরিঙৈদা নোংমৈ পায়বশিংনা খাল্লগা মখোয়গী গাড়ী অদুমক্তদা শকখঙদবা অমনা থৌরগা পুরবা মতুং লম্বীদা মহাক্কী লোয়নবী অমসুং মচানুপী থাদোল্লগা টাজউদ্দিনদি লুপা ক্রোর ২ পীদ্রবদি থাদোরক্লোই হায়না খঙহল্লম্লে হায়রি।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়বদা থৌদোক অসি ঙরাং অয়ূক পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা টাজউদ্দিন্না মহাক্কী লোয়নবী অমদি মচানুপীগা লোয়নননা কার অসিদা পূন্না ময়ুমদগী কোংবা তম্না লাকপগী লম্বীদা থোকখিবনি হায়রি।

মখোয়না লাইরেনপাৎ মনাক্কী কোফি কেফে অমগী ময়া য়ৌশিল্লকপদা শকখঙদবা মীওই অহুম্না মখোয়গী গাড়ী অদু নমদুনা খাল্লগা গাড়ীগী ছো ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## য়ুথ ওফ মণিপুরগী মেম্বর ৩ থাদোরকউ হায়দুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিল্লগা মৈরা রেল্লি চৎখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচএনএস) :** ত্রান্সজেন্দর এক্টিভিষ্ট মালেম থোঙামনা কুকি এম এল এ ১০গী মথক্তা লৈঙাক্লা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবা অকক্লবা মতম পীখিবদা লৌখৎলক্ত্রে হায়রদুনা মশা মথন্তা শিজবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি লাউথোরকপদগী পুলিসনা ফারগা জেলদা থাজিনখ্রবা মতুংদা মহাক্কী খোঙজংবু শৌগৎলি হায়বগী চার্জদা পুলিসনা ফাজিনখিবা য়ুথ ওফ মণিপুরগী শিন্থাঙম্বা (২৬), রোবিন্সন (২১) অমসুং বিশালবু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্কদবনি হায়দুনা ঙসি লংথবাল কুঞ্জ অপূনবা মৈরা পায়বী, লিলোং চজিং অপূনবা মৈরা পায়বী লূপ, শীংজমৈ টু লিলোং য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (স্লুকো) অমদি শীংজমৈ টু লিলোং ইমা মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ (স্লিমপাল) না ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখিবদা নত্তনা নুমিদাংদসু মৈরাগী রেল্লি চৎতুনা নহা অহুম্বু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্লবা তকশিনখ্রে।




ৱাকৎ খোঙজংগী মতাংদা লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায় মৈরা পায়বী লূপকী এদভাইজর য়েন্দ্রেম্বম তম্ফানা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরদা বন্দ/ব্লোকেদ অমদি ৱাকৎ খোঙজং তোয়না তৌরিবসি লৈঙাক্লা থৌওং থৌশিল শোয়বদগীনি হায়খি।

লৈঙাক হায়বসি মীয়ামগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী রেজিষ্ট্রার লৌথোকউ হায়দুনা সেক্রেটরিএট মমাঙদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচএনএস) :**
হৌজিক ফাওবগী ওইনা অমখক্তা ঙাইহিরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী রেজিষ্ট্রার ওইহল্লক্লিবা লাইশ্রম রাধাকান্ত, এম সী এসপু নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা লৌথোকউ হায়বগী দিমান্দ তৌরদুনা মহৈকোল অসিগী ওজাশিংনা ঙসি ইম্ফালগী ওল্ড সেক্রেটরিএটকী গেট মমাঙদা খোঙজং চঙশিনখ্রে।



খোঙজং অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর গেষ্ট ফেকল্টি এসোসিএসনননা শীন্দুনা চঙশিনখিবনি। খোঙজং অসিগা মরী লৈননা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট বি গোপিরমোননা পাউমীশিংদা হায়, গেষ্ট ফেকল্টিশিংনা মমাঙ থাগী ২৬তগী কাঞ্চিপুরদা লৈবা মহৈকোল অসিগী এক্সটেন্সন কমপ্লেক্সতা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিল্লক্লবসু ঙসি ফাওবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী রেস্পোন্স অমত্তা লাক্ত্রে। মসিগী মহুত্তা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ক্লাস চথুগদবনি হায়দুনা ওর্দর অমা থোকচিল্লক্লে। লৈঙাক্কী থৌওং অসিদা পেন্দবদগী ঙসি ওল্ড সেক্রেটরিএট মমাঙদা লাক্তুনা খোঙজং চঙশিনবনি হায়খি। অদুবু আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙগী কম্মিস্নর এম জয়গা উনদুনা ৱারী শানরে। কম্মিস্নরনা হায়রকপদা হয়েং চীফ মিনিষ্টরগা উনদুনা ৱারী শাননবা হোৎনরগে, মসিদা ফেকল্টি ওজাশিংগসু ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## খুলগী মমিং থাজিল্লগা য়ুংলম্বা সাইনবোর্দ ককচীং পুলিসনা লৌথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচএনএস) :**
রেভন্যু দিষ্ট্রিক্তনা ককচীং দিষ্ট্রিক্তকী ওইরগা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনখ্রবা মচি ব্লোককী ভাংখৈ ভিলেজগী মফম অমদা 'সাইট ফোর ভানখৈ ভিলেজ, মচি ব্লোক, মণিপুর' হায়না ইবা সাইন বোর্দ য়ুংশিল্লম্লদগী ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা ককচীং পি এসকী টিম অমনা চৎতুনা লৌথোক্লুরে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১




## য়ু এসকী সাইন্টিষ্ট ৩দা কেমিষ্ট্রিদা নোবেল প্রাইজ পীরগনি

**ষ্টোকহোলম, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী) :** য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী সাইন্টিষ্ট দেভিদ বেক্কর, জোন জম্পর অমসুং বৃটেন দেমিস হসাবিসদা চৎলিবা চহী ২০২৪ অসিগী কেমিষ্ট্রিদা নোবেল প্রাইজ পীরগনি হায়না ঙসি লাউথোকখ্রে। মনা অসি মখোয়না দ্রগ দিভেলপমেন্টনচিংবদা প্রোটিনগী ষ্ট্রকচর দিকোদিং তৌবা অমসুং অনৌবা ষ্ট্রকচর পুথোকপগীদমক পীগদবনি হায়রি।

## ইন্দিয়াগী ফোরৱার্দ ১সুং অখন্দ ভারত পোলিসিদা মণিপুর থুগায়গদৌরে : প্রিপাক (প্রোগ্রেসিভ)

### প্রিপাক (প্রোগেসিভ) কী ফিঙাং লান্মী শাফোঙবগী '৪৮শুবা নুমিৎ' কী থৌরম পাঙথোকখ্রে




**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ :**
পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক-প্রোগ্রেসিভ) কী চেয়রমেন লোংজম পালিবা এমনা থোরকপা চেরোল অমদা ইন্দিয়াগী ফোরৱার্দ অমসুং অখন্দ ভারত পোলিসিদা মণিপুর থুগায়গদৌরে। ইন্দিয়াগী লিদরশিং মৈতৈ থুপচিনবগী ৱাখলদা লাইচুরে। মখূৎ ৮ পানবা ওক্টোপসগুম্বা ইন্দিয়াদগী চেকশিল্লসি হায়না ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসি ওক্টোবর ৯, ২০২৪ অসি প্রিপাক (প্রোগ্রেসিভ) কী ফিঙাং লান্মী শাফোঙবগী '৪৮শুবা নুমিৎ' নি। ইরৈবাক কন্নবগী চথরিবা লান্থেংসিদা থৱায় কৎখ্রবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী ৪৭শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ :**
পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী ৪৭শুবা মপোক কুমওন থৌরম লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌমী ফুরুপশিং, চীংমী-তম্মী মীয়াম পূন্নমক্তা খূৎশম্ন দুনা মপূং ফানা পাঙথোকখ্রে হায়না লালহৌলূপ অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ পল্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দাগী পল্লিসিটি ওফিসর মঙাল খুমননা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।




চেরোল অসিনা হায়, প্রিপাক্কী ইন্টরিম কাউন্সিলগী চেয়রমেননা লৈবাক মীয়ামদা পীবা য়াইফ পাউজেল চেরোলবু পাউচেশিংদা হাপ্পীদুনা মীয়ামদা পাবা ফংহনবীখিবা অমসুং প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াশিংদা শন্দোক্তুনা লমদমসিগী মীয়ামদা তাবা-উবা ফংহনবীখিবা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী ইচিল ইনাও খুদিংমকপু হরাও তরাম্বা ফোঙদোক্তুনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়রি।

লূপকী ৪৭শুবা মপোক কুমওন থৌরম অসি সেন্ট্রেল হেদ ক্বার্টর (সী ঐচ ক্যু) ...মখা লমায় ৬ কলম ৫

## মমা-মচা পূন্না শিরম্বা থৌদোক্কী মতাংদা এম সী পি সী আরনা সুও মোটু কেস লৌখৎখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ২৩গী অয়ুক্তা ৱাঙ্গোই পি এসনা কোল্লিবা লিলোং হাওরৈবিদা লৈরম্বা নিঙোম্বম নিঙোল বসন্তি মপুরোইবা লৈখিদ্রবা অধিকারিময়ূম তোম্বনা মহাক্কী চহী ৪ খক্তা ঙাইহিরিবী মচানুপী লনচেনবীগা লোয়নননা ফমুং অমদা পূন্না শিদুনা লৈরম্বা থৌদোক্কী মতাংদা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম সী পি সী আর) না সুও মোটু কোগনিজেন্স লৌখৎলে হায়রি।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবগা থা অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## চহী ৭তা ঙাইহিরিবী মচানুপীবু য়ু পীথক্লগা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীরম্বা মপা জেলদা থাজিনখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচএনএস) :** তাবদা নুংঙাইতবদা নত্তনা মীওইবা খুন্নাইগী লীচৎ নত্তবা থৌওংদা মশামক্কী চহী ৭ খক্তা ঙাইহিরিবী মচানুপীবু য়ু পীথক্লগা থা ২ রোম ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীরকখিবনি হায়বা মপা কোর্টনা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে।

ঙসি স্পেসল জজ (পোক্সো), ইম্ফাল ইষ্টনা থা অসিগী ২৩ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রবা মীওই অদুগী মমিং এম দি বসির অহম্মদ (৪৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি রফিউদ্দিন ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### গোৱাগী ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা শরুক য়ানবা মণিপুরদগী ফিল্মগী মহৈরোয় ১০ কৌরি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচএনএস):** মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংনা এন ঈ ষ্টেটশিংগী ফিল্মগী থৌপুবা কম্মিস্নরশিংদা মথং থাগী ২০দগী ২৮ ফাওবা গোৱাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিবেল ওফ ইন্দিয়া ২০২৪দা শরুক য়ারনবা ফিল্মগী মহৈরোয় ১০/১০ থারক্লবা মমাঙ থাগী ১০দা অইবা চেরোল পীদুনা খঙহনখ্রে হায়রি।

ফিল্মগী মহৈরোয়শিং অসিনা ফেষ্টিবেল অসিদা শরুক য়াবা লাকপগী এরোপ্লেন টিকেটকী শেল অমদি লৈফম চাফম্নচিংবা পূন্নমক নেসনল ফিল্ম দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন (এন এফ দি সী) না শিনগনি হায়রি।

মরম অসিনা মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## লেনিনগী মীশি : মীহাৎপা পুথোক্তুনা চৈরাক পীয়ু হায়দুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচএনএস):**
ইম্ফাল ৱেষ্টকী ঘড়ীদা লৈবা 'হেলপিং হেন্দস গ্রুপ একাদেমি' (ঐচ ঐচ জি এ) দা ৱার্দেন ওইনা মথৌ তৌরকখিবা শগোলশেম লেনিন (২৬) অপোকপা এস ইনাওবগী মীশি চিংননীংঙাই ওই হায়রদুনা মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা অথুবা মতমদা মীহাৎ অসিগী লংলা লংজিন পুথোক্তুনা মরাল লৈবশিং লোগী মতুংইন্না মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়না মীশি অসিগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সী এগেনষ্ট দি সস্পিসিয়স দেথ ওফ শগোলশেম লেনিননা শীন্দুনা ঙসি য়াইরিপোক কৈথেলদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।



লৈখিদ্রবা শগোলশেম লেনিন থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী হৈরোক এ সীগী মনুং চল্লিবা লৈরোংথেল পিত্রদগীনি। মহাক্লা ৱার্দেন ওইরিবা একাদেমি অসিগী ওথোরিটিনা ঙরাং অয়ূক পুং ৯.৪৫ রোম তারকপদা মহাক একাদেমি অসিগী কেম্পসতা থৌরি য়াল্লগা শিরম্লে হায়না পাউ পীরকখিবনি হায়রি। অদুম ওইনমক মহাক্কী মীশি অসি চিংননীংঙাই ওই হায়দুনা জে এ সী অমা শেমখিবগা লোয়নননা ঙসি মীশি অসিগী মতাংদা চপ চাবা লংলা লংজিন পুথোক্লবা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখিবনি।

ঙসিগী খোঙজংগা মরী লৈননা জে এ সীগী কনভিনর শগোলশেম গম্ভিরনা ফোঙদোকখিবদা মীশি অসি য়াম্না চিংননীংঙাই ওই। স্কুলগী মায়কৈদগী ঙরাং অয়ূক লৈকায়গী মীওই অমদা ফোন তৌরক্তুনা মহাক থৌরী য়াল্লগা শিরম্লে হায়না পাউ পীরকখি। ইমুং মনুংনা পাউ অসি তাবগা শিরম্লবদি ফরে, অশিবা হকচাং অদু শোকপীদনা শিরল্লিবা মওং অদুদা অদুমক থম্বীরম্মু হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু লাইবক থীবদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা য়ৌবা মতমদা অশিবা হকচাং অদু য়াম্না মওং তাদনা মখাদা তারগা লৈরম্মী। থৌরী য়াল্লিব্রা নৎত্রগা করি তৌরিবনো হায়বগী মমি অমত্তা তারমদ্রে হায়খি। মরম অসিনা অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা মীহাৎ অসিগী অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোকপীয়ু। মীহাৎসিদা চেন্নবশিং পুথোক্ত্রিবা ফাওবা অশিবা হকচাং লৌখিরোই। লোয়নননা থা অসিগী ১১ ফাওবদা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীদ্রবদি থংনবা নুমিৎতগী লূপশিংগা খূৎশম্নদুনা মখল কয়াগী খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি হায়খি।

## আর কে সী এসকী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী শক্লাইরবা লাই য়েকপা ময়াম্না আর কে সী এস হায়রগা হেন্না খঙনবা আর কে চন্দ্রজিৎসনাগী ১০০শুবা মপোক কুমওন থৌরম থা অসিগী ১৩গী নুংথিল পুং ২ তারকপদগী জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

আর কে সী এস বর্থ সেন্টিনরি সিলেব্রেসন কম্মিটিগী চেরোল অমনা হায়বদা থৌরম অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৮

## খোইনাইজম রোমারিওগী মতাংদা কে সী পি (নোংদ্রেনখোম্বা) না ৱাফম খরা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি-নোংদ্রেনখোম্বা)গী পল্লিসিটি সেক্রেটরি কংলৈপুরেলনা থোরকপা চেরোল অমদা খোইনাইজম রোমারিওগী থোক্লিবা ৱাথোক্কী মতাংদা লৈবাক মীয়ামদা ৱাফম খরা থম্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কে সী পিনা লিশাং শিংনা চঙশিল্লক্লিবা য়াওল ঈহৌ অসিগী শরুক অমা ওইনা খুন্নাইসিগী ওইবা 'সোসল রিফোর্মেসন' গী থবকসু লেপ্তুনা পায়খৎতুনা লাক্লি। ...মখা লমায় ২ কলম ১

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫